ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

মণিপুর এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিনা স্পোন্সর তৌরগা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অমদি রাইজিং সন ক্লবকা খুৎশম্নদুনা ঐচ আই ভি/এইদসকী মতাংদা পাঙথোকখিবা এৱেৰ্নেস প্রোগ্রাম

লামায় ২

মণিপুর প্লেয়র্স দে ২০২১ পাঙথোকখ্রে

☛ লামায় ৩

কোর্টকী য়াথং থৌশাদবশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপীয়ু

☛ লামায় ৫

নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি মণিপুরগী লন ওইনবা হোৎনহৌসি

☛ লামায় ৪

জপাননা ম্যান্মারদা অনৌবা চাউখৎ থৌরাংগী মতেং পীবা লেপ্পগনি

☛ লামায় ৮

পেট্রিয়টিক রাইটর্স ফোরম মণিপুরনা পীবা অরাম্বম ইবুংঙোহল অমসুং বিনোদকুমার লিটরেরি এৱার্দ ২০২০ *ঈ তৈরবা থাবল* হায়না মিংথোনবা শৈরেং লাইরিক্কী অইবা ওকেন্দ্রো খুন্দোংবমদা খুৎশিন্নখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No. 323 | ইরাই, ফাইরেনগী ১৪ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, February 26, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

ফেব্রুৱারী ২৮দা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সন (দব্লিয়ু এম সী)গী গুৱাহাতি প্লেনরি সেসন ২০২১ লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২৮দা শিলপাগ্রাম, পঞ্জাবারি, গুৱাহাতিদা পাঙথোক্লগনি হায়না ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সনগী সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন য়াম্নেম অরুন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ৱর্ল্ড মীতৈ কনভেন্সনগী গুৱাহাতি প্লেনরি সেসন অসি হৌদোকপগী থৌরমদা অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা শর্মানা চীফ গেষ্ট, মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা দিষ্টিংগ্যুইস গেষ্ট অমসুং ষ্টেট প্লানিং বোর্দ মণিপুরগী দেপ্যুটি চ্যেরমেন এল রামেশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিং অমদি মপান্দগী লাকপা দেলিগেট কয়াসু শরুক য়াগনি।

মৎপীরবা থৱায়শিংগী ৱাকৎ মিংথোনবা লাইরিক ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মঙ্গিসনানা ইবা 'মৎপীরবা থৱায়শিংগী ৱাকৎ' হায়না মিংথোনবা ৱারী মচাগী লাইরিক অমা ঙসি মেজর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অদুদা নেস্নেল এৱার্দি সেনাপটি এ দি সীগী এক্স-চ্যেরমেন ঐচ হেনরি, ইন্তরনেস্নেল এৱার্দি বেঞ্জামিন মকুং, মণিপুর ষ্টেট সোসল ৱেলফ্যর বোর্দকী এক্স চ্যেরপার্সন আর কে নয়নসনা, দি কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর ঐচ বেহারি, ডো. এম কৃটি, নেস্নেল এন্দ ইন্তরনেস্নেল এৱার্দি প্রোফেসর পি ইনাখুনবী, নেস্নেল অমদি ইন্তরনেস্নেল এৱার্দি এস সুরচন্দ্র, প্রোফেসর এস তোম্বা অমদি জি পি ৱিমন কোলেজকী থবক্তগী পোত্থারবা প্রোফেসর রোজ মংসি হাওকিপনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, স্পেসল চীফ গেষ্ট, হোষ্ট চীফ গেষ্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখি। দি এম য়ু য়ুনিভর্সিটিগী ফেকলটি ডো. সরতচন্দ্র লোংজম্বনা লাইরিক্কী মশক তাকখি।

ফুরুপ ৩৩গী লুচিংবশিং, মীহুৎশিংনা পোপী পাম্বীশিং মাঙহনখিননবা ৱাশক লৌমিন্নখ্রে

মণিপুরগী পুৱারীদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি : সী এম

ALL COMMUNITIES CONVENTION FOR
A PLEDGE AGAINST ILLEGAL POPPY PLANTATION

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): য়াম্না তাঙনা থোকপা অমসুং নীংশিংনিংঙাই ওইরগদবা মওংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংদুনা লমদমসিদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ ৩৩গী লুচিংবশিং অমদি মীহুৎশিংনা ইল্লিগেল ওইনা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা থারিবা পোপী পাম্বীশিং মাঙহনখিনবা, পোপী পাম্বীশিং থাবা থিংননবা অমদি ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোনবশিংবু য়েংশিনমিন্ননবা অচেৎপা ৱাশক লৌমিন্নখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা মৈতৈ লিপুননা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী এপেক্স বোদিশিংগা খুৎশম্নদুনা শীল্লগা ভৈগ্যচন্দ্র ওপন এয়র ঠিএটরদা ঙসি ওল কম্যুনিটিজ কনভেন্সন ফোর এ প্লেদজ এগেনষ্ট ইল্লিগেল পোপী প্লান্টেসন হায়বা থৌরম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফুরুপ ৩৩গী মীহুৎশিংনা ময়াই কাবা দ্রগকী মায়োক্তা ৱাশক লৌখিবনি। ৱাশক লৌখিবা অদুদা খারম ত্রাইব য়ুনিয়ন, পুরুম ত্রাইব য়ুনিয়ন, কোইরেং ত্রাইব য়ুনিয়ন, থাদৌ ইনপি, মণিপুর গোর্খা এসোসিএসন, কোম ত্রাইব য়ুনিয়ন, চিরু ত্রাইব য়ুনিয়ন, থাঙ্গাল ত্রাইব য়ুনিয়ন, মরাম য়ুনিয়ন, মাও কাউন্সীল, পাওমাই ত্রাইব য়ুনিয়ন, জেমৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন, অনাল থাংপি, লমকাং কাবের কুপুল, মোনশাং ত্রাইব য়ুনিয়ন, মোয়োন ত্রাইব য়ুনিয়ন, আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন, তরাও ত্রাইব য়ুনিয়ন, মার ইনপি, পাইতে পিপল কাউন্সীল, সিমতে ত্রাইব য়ুনিয়ন, জৌ ত্রাইব য়ুনিয়ন, মিজো পিপল কনভেন্সন, বাইফে পিপল কাউন্সীল, গাংতে ত্রাইব য়ুনিয়ন, তাংখুল মায়র ঙালালোং, মাতে ত্রাইব য়ুনিয়ন, মরিং উপারুপ, জেমি ত্রাইব য়ুনিয়ন, রোংমৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন, ইনপুই ত্রাইব য়ুনিয়ন, লিয়াংমাই ত্রাইব য়ুনিয়ন অমদি চোথে ত্রাইব য়ুনিয়নগী লুচিংবশিং অমদি মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

লোগী ৱাংমদা পোপী থাবা লেপ্পসি অমদি পোপী পাম্বীশিং মরূ ফংনা মাঙহন-তাকহনবদা নত্তনা ময়াই কাবা চীঞ্জাকশিং মুথৎতুনা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয্যন অসি মীয়ামগী অপূনবা ঈহৌ ওইহল্লসি হায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মিঙ্খে শোন্দুনা এম বি সীগী পাষ্টর রেভরেন্দ জুৱানকানমাং দাইমৈনা থৌরম অদুদা তীল্লিবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীয়াম্না ৱাশক লৌখি। থৌরম অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী মীওই কয়ানা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৩দগী খোঙশানবা হৌনরকখিবনি। রোয়ল রাইদর্স মণিপুরগী রাইদরশিংনা সেনাপতি অমদি কাংপোকপীদগী লাকপা মীয়াম্বু সেকমাইদা, তমেংলোং অমদি নোনেদগী লাকপশিংনা খুমন লম্পাক্তা, উখ্রুলদগী লাকপশিংনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

পার্কিং সিষ্টম অন-রেগ্যুলেট তৌরে, ত্রাফিক মিসমেনেজমেন্ট তৌরে হায়বা পি আই এল

হায় কোর্টনা লৈঙাক্তা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মীশিং লাখ ৩১ রোম শুজি লল্লবা মণিপুরগী হৌজিক অপূনবা গাড়ী মশীং ৪,৫৩,৭৩২ য়ৌরক্লুনা মী ৬/৬ খুদিংগী গাড়ী অমমম লৈবগী চাং য়ৌরকপগা ঈরোয়ননা হায়রিবা মীওইশিং অমসুং গাড়ীশিং অসিগী ট্রেদ ইপিসেন্টরনা ইম্ফালদা ওইরকপদগী থোরক্লিবা খুদোংচাদবশিংগীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপগী মহুৎতা পার্কিং সিষ্টম অন-রেগ্যুলেট তৌবগা লোয়ননা ত্রাফিক মিসমেনেজমেন্ট তৌরে হায়রদুনা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকপদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং লৈঙাকসিগী মরী লৈনবা ওফিসল ৯দা নোটিশশিং ইস্যু তৌখ্রে।

পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন অসি ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লুৱাংশংবম ময়াই লৈকায়দগী ৱাই মঙ্গি (৬৭), অপোকপা ৱাই লুখোই অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী ৱাঙ্খে য়োংলান লৈরক্তগী অচোম রেনবো মৈতে (২৪), অপোকপা এ তেজকুমার মৈতৈনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি।

অপূনবা পিটিস্নর অনীগী পি আই এল অসিদা রেস্পোন্দেন্টশিং ওইরিবশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি, লৈঙাকসিগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (ত্রান্সপোর্ট), দিরেক্টর (ত্রান্সপোর্ট), ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)গী মেয়র, আই এম সী অসিগী এগজিক্যুটিভ ওফিসর (ঈ ও), ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসর (দি টি ও)শিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী রিজনল ত্রান্সপোর্ট ওফিসর (আর দি ও)শিং অমসুং মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী এস পি (ত্রাফিক কন্ট্রোল) পুলিসনি।

পিটিস্নর অনীনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা হৌজিক ষ্টেট অসিদা পার্কিং সিষ্টম অন-রেগ্যুলেট তৌরে। ত্রাফিক মিসমেনেজমেন্ট ওইরে। পার্কিং ফিশিং লৌবগী থবকসু অন-রেগ্যুলেট তৌরে হায়রদুনা মরী লৈনরিবা পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মরক্তগী মরুওইনা ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট/ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন্না মখোয়না পাঙথোকফম থোকপা থবক থৌরমশিং ভাইওলেসন/মিসয়ুজ তৌবদা নত্তনা কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়ানা পীরিবা মরী লৈনবা প্রোভিজনশিং ভাইওলেট তৌরে। মরম অদুনা মণিপুর লৈঙাক অমসুং মসিগী মরী লৈনবা ওফিসলশিং অসিদা নেসনল অর্বান ত্রান্সপোর্ট পোলিসী (এন য়ু টি পি), মণিপুরগী ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট পোলিসী অমসুং মোটোর ভেহিকলস এক্ট, ২০১৯গী মরী লৈনবা সেক্সনশিং চৎনহন্নবা ওর্দর পীবীদুনা কাং-খোং চাইরবা পার্কিং সিষ্টম অসি ষ্ট্রিমলাইন তৌহনবীয়ু। রোদ স্পেসতা অকক্লবা পার্কিং লৈহনবীয়ু। ত্রাফিক রুলস মপুং ফানা চৎনহনবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অমদি অতোপ্পা দিষ্ট্রিক্ট হেদ কার্টরশিং মরুওইনা ইম্ফাল মনুংগী থাঙ্গাল কৈথেল, পাউনা কৈথেল, নাগামপাল, মহাত্মা গান্ধী এভেন্যু, পোলো গ্রাউন্দগী অকোয়বগী মফমশিং, খোয়াথোং, ৱাহেংবম লৈকায় অমসুং বাবুপারানচিংবা মফমশিংদা চথুরিবা পার্কিং ফি লৌবগী থবকশিং অসি রেগ্যুলেট অমসুং কন্ট্রোল তৌহনবীয়ু হায়বসিনি।

থা অসিগী ২৩দা পিটিস্নর অনীনা ফাইল তৌরকখিবা হৌজিক হৌজিকমক ষ্টেট অসিগী মরুওইনা ইম্ফাল মনুংগী মরুওইবা মফমশিংদা ওইরিবা ত্রাফিক্কী

...মখা লামায় ৩ কলম ১

'শান্নবুংদা কম্যুনিটি হোল শাজিনবগী ৱাখল থাদোক্লসি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): শান্নবুংদা কম্যুনিটি হোল শাজিনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লসি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে। কুমজা ১৯৯৯ দা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা নেস্নেল গেমসতা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইদুনা রাজা ভলেন্দ্র সিংহ ট্রোফি ফংখিববু নীংশিংদুনা পাঙথোকপা শান্নরোয়শিংগী নুমিত্তা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ষ্টেটকী থাক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ গেষ্ট অমদি য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসকী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

সলাইগী ওফিস, বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংদোকহনখিবা ওর্দর শীংনরকখিবা এন আই এগী আপীলশিং হায় কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ওক্টোবর ২৯, ২০১৯দা লন্দনদা পাঙথোকখিবনি হায়বা প্রেস কনফরেন্স অমদা মণিপুর ইন্দিয়াদগী তোঙান্না তারে হায়বগা লোয়ননা মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীল শেমদুনা নারেংবম সমরজিৎনা মসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর ওইরগা য়াম্নেম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইরে হায়দুনা লাউথোকখিবগী পাউ ষ্টেট অসিগী পাউচেশিংদা ওক্টোবর ৩০, ২০১৯দা ফোঙলকখিবগা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না লৌখৎখিবা কেসকা মরী লৈননা থিংজিন্দুনা থল্লকপা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিস অমদি বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংদোকপদা অয়াবা পীখিবা ওর্দরবু শীংনরকখিবা এন আই এগী আপীল পুম্নমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিসমিস তৌখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরন অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবনি। এন আই এগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল আপীল অদুগী নম্বরনা ১২ ওফ ২০২০নি। অদুগা মসিগা মরী লৈনবা এজেন্সী অসিগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসনশিংগী মতুংইন্না কোর্টনা লৌখৎখিবা মিসেলিনস কেস (ক্রিমিনেল আপীল)শিং অদুগী নম্বরশিংনা ৩০ ওফ ২০২০ অমসুং ৩১ ওফ ২০২০নি।

ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল আপীল অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেসশিংগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজ অমদি স্মার্ট সোসাইটিনি। অদুগা এন আই এনা চেলেঞ্জ তৌরক্লিবনা নবেম্বর ২, ২০২০দা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট (এন আই এ), মণিপুরনা লৌখৎপা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর-৫৫ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুনি। হায়রিবা ওর্দর অদুদা এন আই এনা ইনভেষ্টিগেসন চথুরিবনি হায়দুনা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং থিংজিন্দুনা থল্লকপা অমদি বেঙ্ক একাউন্টশিং ফ্রিজ তৌশিল্লকপবু মহৌশাগুম্না হাংদোক্লবগী অয়াবা পীখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অসি সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজগী মেনেজিং দিরেক্টর অমদি স্মার্ট সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এলাংবম ৱোজেন্দ্রো (৪২), অপোকপা লৈখিদ্রবা ঈ ভুবনেশ্বর, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা লৈবগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা পিটিসিন অমগী মতুংইন্না স্পেসল কোর্ট (এন আই এ), মণিপুরনা মসিবু খন্ননবগীদমক লৌখৎখিবা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর- ৫৫ ওফ ২০২০ অদুগী মতুংইন্না পীখিবনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

য়ু পি এফ অমসুং কে এন ওগা সূ তৌনবগী মতম থা ৬ শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) অমসুং কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও)গা মণিপুর লৈঙাক অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কা নাকল অহুমগী ওইবা সস্পেন্সেসন ওফ ওপরেসন (সূ) তৌনবগী মতম থা ৬ শাংদোকখ্রে। হান্নদগী য়ানখিবা গ্রাউন্দ রুলশিংদদি অহোংবা লৈরোই হায়রি।

ন্যু দেল্লীদা ঙসি নাকল অহুম্মক্কী মীহুৎশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা হান্নদগী চৎনরক্লবা সূগী গ্রাউন্দ রুল অদু মখা তানা ঙাক্তুনা থম্বা হায়নসু য়ানখি। ঙসিদগী হৌরগা চহী অসিগী ওগষ্ট ৩১ ফাওবা চৎনগনি হায়রি। মীফম অদুদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ওইনা পিয়ুস গোয়ল, জে ইষ্ট সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্ট, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যের্স অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা ঐচ গ্যান প্রকাশ, স্পেসল সেক্রেটরি (হোম)না খুৎয়েক পীখি। কে এন ওগী মীহুৎ ওইনা কে এন ও/কে এন এগী দিফেন্স সেক্রেটরি থোংসৈ হাওকিপনা খুৎয়েক পীখি। য়ু পি এফকী ওইনা য়ু পি এফকী মখাদা লৈবা লূপ ৬কী মীওইশিংনা খুৎয়েক পীখি। মখোয়শিং অদুদি টি এল জেকোব হাওকিপ (য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন ফ্রন্ট- য়ু কে এল এফ), আরোন কিপগেন (কুকি নেসনল ফ্রন্ট-কে এন এফ), সঙ্গা মার (মার পিপলস কনভেন্সন-ঐচ পি সী), হেনখোলাল দৌঙেল (কুকি রেভল্যুস্নরি ফ্রন্ট-কে আর এফ),

...মখা লামায় ৩ কলম ১

HL Poll

Q: Tax hanthahanba nattana Petrol amasung Dieselgi mamal hanthahannabagi atoppa lambi leite haina khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: School karamdaba Oja khara Suspend toubagi thouongna Education system fagathanba ngamlagani haina khanbra?

Yes 50% No 50%

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৬৫ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৯.৩৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪১
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.১৪

অস! লোইরেহে!

- হে বুদু, নয়ুম পানশিল্লু, নমান্নবা লোইনা শঙ্গোয় লুকোয় তেক্কখ্রে।

- ꯍꯦ ꯕꯨꯗꯨ, ꯅꯌꯨꯝ ꯄꯥꯟꯁꯤꯜꯂꯨ, ꯅꯃꯥꯟꯅꯕꯥ ꯂꯣꯏꯅꯥ ꯁꯪꯉꯣꯏ ꯂꯨꯀꯣꯏ ꯇꯦꯛꯀꯈ꯭ꯔꯦ꯫



- পান্নিংঙিবনি ঐসু নুপীনা য়াবীদবগীনি বাজি।

- ꯄꯥꯟꯅꯤꯡꯉꯤꯕꯅꯤ ꯑꯩꯁꯨ ꯅꯨꯄꯤꯅꯥ ꯌꯥꯕꯤꯗꯕꯒꯤꯅꯤ ꯕꯥꯖꯤ꯫

থা ৬ পাউচে ফোঙদনবা হায়রকপা ৱাফম কন্দেম তৌখ্রে

পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌগদৌরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর ৱর্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমসুং এদিটরস গিল্ড মণিপুর (ঈ জি এম)গী ইমর্জেন্সি মীফম্না অমজু অমসুং ঈ জি এমনা পুম্নমক্তা থমখিবা ৱাফমগী ৱাংমদা পোক্লফম পাউচেগী ওফিসতা বোম লংশিনবদা নত্তনা থা ৬ পাউচে ফোঙদনবা হায়রকপা অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে। পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌনবা লেপ্পখ্রে।

অমজুগী জোইন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি ফমখিবা ইমর্জেন্সি মীফম্না তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌরে। ৱারেপশিং অদুদি, ঙসি পোক্লফম পাউচে পুথোকখিদবগী মতাংদা পোক্লফম পাউচেদা বোম লংশিনবদা নত্তনা থা ৬ পাউচে ফোঙদনবা হায়রকখিবা অসি অমজু অমসুং ঈ জি এমনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। ঙসি পোক্লফম পাউচে পুথোকখিদবগী মতাংদা অমজু অমসুং ঈ জি এমনা পোক্লফমদা হংলুবদগী থা ৬ পাউচে ফোঙদনবা অথিংবা থল্লে হায়বসি খঙলকখিবনি। অমজু অমসুং ঈ জি এমনা কনাগুম্বা পাউমী নৎত্রগা পাউচে/মীদিয়াদা মরাল শীবা নৎত্রগা হকথেংননা এক্সন লৌখৎত্রিঙৈদা য়ানিংদবা লৈরগদি এক্সন লৌখৎপগী মহুৎতা অমজু অমসুং ঈ জি এমদা খঙহবীরক্লবা মাঙজৌননা মীয়ামদা খঙহনখ্রবা অমজু অমসুং ঈ জি এমগী ৱারেপ অদু অমুক হন্না রিএফার্ম তৌরে। পোক্লফমদা শীরক্লিবা মরালগী মতাংদা অমজু অমসুং ঈ জি এমনা হয়েং অয়ুক পুং ৬তগী পারগা পুং ৪৮গী মনুংদা মচা খায়না লূপ অসিগী ওফিসল ঈ-মেলগী খুত্থাংদা খঙহনবীরক্কদবনি। পোক্লফমনা থেংনরিবা অৱাবা অসি য়েংলগা হয়েংদগী পাউচে অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবা, পোক্লফম অমসুং মণিপুর মীদিয়াশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (সী এস ও)শিংদা মতেং পাংবীনবা হায়জবা, পোক্লফমদা বোম খঙহনখ্রবা অমজু অমসুং ঈ জি এমগী

...মখা লামায় ৩ কলম ১

শিন্থা লেপ্তনবা আপীল তৌরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): শকখঙদবশিংনা পোক্লফম পাউচেদা থ্রেট তৌরকখিবগা মরী লৈননা অমজু অমসুং ঈ জি এমনা থাদোরকখিবা প্রেস রিলিজ অমদা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াগী পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট চথগনি হায়বা পাউ ফংলে। শিন্থা লেপ্পা অমদি পাউচে পুথোকপা লেপ্পনা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লগদৌরিবনি। মরম অসিনা পাউমীশিংনা শিন্থা লেপ্পীদনবগীদমক ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর (দি সী)শিংনা আপীল তৌরক্লি।

৪২শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ দে থৌরম পাঙথোকখ্রে : আর পি এফ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ : রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী ৪২শুবা মপোক কুমওন 'ইন্দিপেন্দেন্স দিমান্দ দে'গী থৌরম পার্টি অসিগী থৌবুরেল লোয়শঙ, কাউন্সীল হেদ কার্টরশিং, সেন্ট্রেল ব্যুরো, সেন্ট্রেল ব্যুরোগী দিভিজনশিং, এস আর-১, এস আর-২, এস আর-৩, এস আর-৪, পিপলস লিবরেসন আর্মিগী জেনরেল হেদ কার্টরস, টেক্নিকেল কম্মান্দ, ষ্ট্রেটিজিক কম্মান্দ, ২৫২ মোবাইল বট্টালিয়ন অমদি অতৈ পি এল এগী য়ুনিট, দিপার্টমেন্ট, ষ্টেসনশিং লৈবা মফম খুদিংমক্তা হন্দক চহীগী ওইনা মালেমগী মফম খুদিংদা শন্দোক্লিবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা ইচম চম্না পাঙথোকখ্রে হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা রেভল্যুস্নরি পিপলস ফ্রন্ট (আর পি এফ)কী সেক্রেটরি পব্লিসিটি রোবেন খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, আর পি এফকী সেন্ট্রেল ব্যুরোগী মখাদা লৈবা দিভিজন ২, ৪, ৬, ৮ অমদি ১০ গী মফমশিংদা পার্টিগী ৪২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ফ্লেগ, ফেষ্টুন অমদি ষ্টারনচিংবা থেৎতুনা মফমদুগী মীয়ামগা পুন্না পাঙথোকমিন্নখি।

নুমীৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমদি পার্টিগী ফিরালদা ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা ইমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা কোক নোন্দুনা ঈকায় খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা আর পি এফকী প্রসিদেন্ট ইরেংবম চাওরেননা মণিপুরগী মীয়ামদা পীবা য়াইফ পাউজেল পাথোকপনা মরুওইবা থৌরম ওইখি। প্রসিদেন্টনা নুমীৎ অসিগা মরী লৈননা পীখিবা পাউজেল অদুদা মরুওইনা মীয়ামদা হেন্না নৈনহঞ্জনিংবদি হৌজিক ইন্দিয়া লৈঙাক্না ৱেসিয়া লমদম অসি চাউখৎহন্দনা ইন্দিয়া চাউখৎপা য়ারোই হায়বগী মিংদা লমদম অসিবু খোঙলৈ থুনা চাউখৎহন্ননবগী মালহল্লিবা থৌরাং কয়া অসি লমদম অসিগী মীয়াম্বু তশেংনা নুংশিবগী নত্তে। য়ুমথংনবা চাইনাবু থেংনবদা লমদম অসিগী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

কেস ৩খক থেংনখি, ৪০না এক্টিভ ওইরি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচএনএস): মণিপুরগী ওইনা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ৩খক থেংনখি, মীওই ৪০না এক্টিভ ওইরি।

কোভিদ-১৯ কন্মন কন্ট্রোল রূমদগী ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা নুপা ১ অমসুং নুপী ২ পুন্না জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৩ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। কেসশিং অসি ববিনা দাইগনোষ্টিক্সতা ১, ইম্ফাল হোস্পিটালদা ১ অমসুং রাজ মেদিসিটিদা ১ থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই ৩মক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতগী ঙাক্তনি।

নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অসি থারগা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

@1.80% অপিকপা শেন্দোইদা @1.80%

সনা Bandhop লৌজরি

Govindajee Gold Mortgageনা অনৌবা চহিলাবগ্লবগা লোয়ননা মীয়ামদা হান্নদা পিথ্রবা খুদোংচাবশিং অদুগী মথক্তা অনৌবা খুদোংচাবা ময়াম অমসু পিজরি।

☛ সনা সন ১ দা Rs. 7,000/- দগী Rs. 8,000/- ফাওবা লৌবা য়াগনি।
☛ শেন্দোইনা ১০০ দা 1.80% খক্তনি।
☛ করিগুম্বা অদোমগী হাননা অচৌবা শেন্দোইদা শনা Bandhop থম্লীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হান্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপিকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।
☛ সনা লৌথোকনিংবা মতমদা লৌথোকপা য়াবগী খুদোংচাবশু পিজরী।

সন ১দা Rs. 8,000/- ফাওবগী চাংদা পিজরী @1.80%

For details, please contact.
GOVINDAJEE GOLD MORTGAGE
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building, Palace Compound, Govindajee Road, Near Andro Parking, Imphal East.
Office Timing : 9:00 a.m. to 4:00 p.m.
Phone No. : 7085917479

HL-P/8697/20th Feb. to 6th March

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ

BOOK NOW
BEST & AFFORDABLE CAB SERVICES IN MANIPUR

MANIPUR CAB SERVICE 24X7
Power by: IMPHAL FINANCE

Call the Cab at your Doorstep
for a hassle free service to access your needs.

Also Available
- Tour Packages
- Picnic Packages
- Wedding Packages

Service Timing : 7 am to 5 pm

For Booking Call Now :
8258070746 / 9402267525
6909608909 / 6909967574
Office Address: M.G. Avenue, MDU Building, 2nd Floor

HL-B/6779/10th Feb. to 18 Mar.